সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, AUGUST 01, 2017 **PAGE 7**

স্বিজ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই কেটেরিনা সিনিয়াকোভাগী মখুত্তা মায়থিহৌরবী দেনমার্ককী কেরোলিন রোজনিয়াকি

ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৪শুবা সিজনদা দিল্লি দাইনামোস ফুটবোল ক্লবতা নৌনা শরুক য়াগদৌরিবা উরুগ্বে মচা মাটিয়াস মিরাবাজে

জেককী কেটেরিনা সিনিয়াকোভা অমদি স্পেনগী দেবিদ ফেররনা স্বিজ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

বাষ্টাদ, জুলাই ৩১ঃ

স্বিজরলেন্দগী সিটি বাষ্টাদতা চথরিবা স্বিজ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৭ তা জেক রিপব্লিক্কী কেটেরিনা সিনিয়াকোভা অমদি স্পেনগী দেবিদ ফেররনা নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী কেটেরিনা সিনিয়াকোভানা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী দেনমার্ককী কেরোলিন রোজ নিয়াকিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা জেককী সিনিয়াকোভাগী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না খরা উৎপা ঙমদুনা রোজনিয়াকিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

সেট অমা শোথরবা রোজনিয়াকিগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুদা জেককী সিনিয়াকোভাগী মায়োক্তা লম্বা খরা পীবা ঙমখ্রবসু সিনিয়াকোভানা সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা স্পেনগী দেবিদ ফেররনা জর্মনিগী আলেকজেন্দর দোলগোপোলোভপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৮ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্পেনগী দেবিদ ফেররনা অহানবা সেটতা অকনবা লম্বা থেংনরগা দোলগোপোলোভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

মখা তাবা অনীশুবা সেটতা চপ মান্নবা মওংদা ফেররনা দোলগোপোলোভকী মশান্না অদুদা ঙন্না খুদুম চনবা ঙমদুনা সার্ভিস ব্রেক অমা লৌদুনা ৬–৪ দা থোইবদগী টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

স্বিজ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই অনী লেমোনি অমসুং এরুসনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ টিম ওইরিবা আর্জেন্টিনাগী এম ইরিগোয়েন অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বি ক্রেজিকোভাগা লম্বা তৌনবদা ৩–৬, ৬–৩, ১০–৮ তা থোইদুনা নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই অনী এস এরেঞ্জস অমসুং এম মিডলকুপপু ওষ্ট্রিয়াগী জে নোলস অমসুং জর্মনিগী পি পেসনরনা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নরবা মতুং ৬–২,৩–৬, ১০–৭ দা থোইদুনা দবলসকী টাইটল লৌখি।

য়ুএসএগী অটলান্টা সিটিদা পাঙথোকপা বিবিএন্দটি এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অদুগী য়ুম্বু লৈবাক্কী শান্নরোই জোন ইসনর অমসুং রাইন হরিসনগী লম্বাদা ইসনরনা টাই ব্রেক সেট অনীদা ৭–৬(৮–৬), ৭–৬(৯–৭) দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা য়ুএসএগী ফাইবোক বোব ব্রাইন অমসুং মাইক ব্রাইননা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ সিটাক অমসুং নেদরলেন্দসকী দব্লিয়ু কোলনোফকী টিম্বু ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইদুনা দবলসকী চেম্পিয়ন ওইখি।

নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা ব্রাইন ফাইবোক্না নেদরলেন্দসকী কোলনোফ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটাকপু ফাইনেলগী লম্বা অদুদা ৬–৩, ৬–৪ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী দবলসকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

স্বিজ ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবী জেককী কেটেরিনা সিনিয়াকোভা

স্বিজ ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবা স্পেনগী দেবিদ ফেরর

ইংলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রিয়া মখোয়–মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্কুনা য়ুএফা ৱুমেন্স য়ুরো ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

দেভেন্টর। টিলবর্গ, জুলাই ৩১ঃ

নেদরলেন্দসনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা য়ুএফা ৱুমেন্স য়ুরো ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মায় পাক্কুনা ইংলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রিয়া টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নেদরলেন্দসকী সিটি দেভেন্টরদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইংলেন্দনা ফ্রান্সপু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মেটচ অমদা পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইংলেন্দ অমসুং ফ্রান্সকী নুপীগী শান্নরোইশিংনা য়ুএফা ৱুমেন্স য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ কী ঙরাং অথেংবদা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা অকনবা মায়োক্নদুনা শান্নরকখি।

টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফ অদুদা মখোয়–মখোয়গী মায়কৈদগী পাঞ্জল চননবা এটেক কয়া পুশিল্লক্রবসু পাঞ্জল ওইবা ঙমদনা শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ৪৫ গী মতম অদু লোইশিনখি।

ইংলেন্দ অমসুং ফ্রান্সকী মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা মিনট ১৫ য়ৌশিল্লবদা ফাওবদা স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৬০ শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী মায়কৈদা এটেক হেন্না তৌশিনবা ঙমখিবা ইংলেন্দগী টিমগী টেলরনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল অদুদা মায় পাক্লনবগী পাঞ্জল অদু চনখি।

ইংলেন্দগী শান্নরোই টেলরনা ফ্রান্সকা লম্বা তৌনখিবা য়ুএফা ৱুমেন্স য়ুরোপিয়ান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী সেমি ফাইনেল য়ৌনবগী লম্বা তৌনবদা ফ্রান্সকী মায়োক্তা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিম অদুগী খুদোংচাবা চাওনা লৌদুনা লৈখি।

লেমহৌবা মেটচ অদুগী মতমদা ইংলেন্দনা চনখিবা পাঞ্জল অদু ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা হন্দাকপা ঙমখিদবদগী ইংলেন্দ টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা য়ুম্বু নেদরলেন্দসকা থেংনরগনি।

নেদরলেন্দসকী সিটি টিলবর্গতা শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ওষ্ট্রিয়া অমসুং স্পেন লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক হৌবদগী হৌনা লম্বা মান্নবগী মশান্না উত্তুনা লৈরকখিবনা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ অদুদসু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবা এটেক খুদিংমক মায় পাকখিদবদগী মিনট ৯০ গী মতম অদুদা টিম অনীমক্কী স্কোরদা পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদে।

টিম অনীমক্কী অপীবা মতম লোইখ্রবা মতুং চৎন–পথাপকী মতুংইন্না পুংখায় অমগী মতম হাপ্তুনা শান্নবদসু পাঞ্জল চন্নবা ঙম্মদবদগী পেনাল্টি সুট আওট তৌখি। মদুদা ওষ্ট্রিয়াগী মায়কৈদগী শান্নরোই ৫ না মখোয়–মখোয়গী পেনাল্টি সুট আওট অদুগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা অদুগা স্পেনগী মায়কৈদগীনা শান্নরোই ৪ না কাউখিবা পেনাল্টি সুট আওট অদুদা ৩ খক চল্লগা অমা শোয়খিবদগী মেটচ অদু ওষ্ট্রিয়ানা পাঞ্জল ৫–৩ দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেলদা দেনমার্ককা থেংনগদৌরিবনি।

ইংলেন্দগী জোদি টেলরনা ফ্রান্সকী গোলকিপর মায়থিবা পীদুনা পাঞ্জল চনখিবা মতাং

মালেসিয়াগা শান্নবা ফ্রেন্দলি মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমগী মায়কৈদগী পিয়ারিনা চনখিবা পাঞ্জল অনীনা মায় পাকহনখ্রে

ক্বালা লুম্পুর, জুলাই ৩১ঃ

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল মশান্নদা অহেনবা পার্ফোমেন্স পুরক্নবগীদমক্তা টিম অসিনা মালেসিয়াগা ফ্রেন্দলি মেটচ অমা ঙসি শান্নখিবদা পিয়ারি জাজানা চনখিবা পাঞ্জল অনীনা ২–০ দা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম্না মালেসিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমগা ঙসি ক্বালা লুম্পুরদা লৈবা এমপি সেলয়াং ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহানবা হাল্ফতা অকনবা লম্বা তৌনরকখি।

শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ওইবা য়াবা য়াম্না ফজবা তাঞ্জা অমা ফংখি। ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবী মণিপুর মচা কমলা দেবীনা অনকপা মফমদগী তৌশিনখিবা হেদ্দিং অদু মালেসিয়াগী গোলকিপর নুরুলনা য়াম্না ফজবা মওংদা চোংদুনা ঙাকথোকখিবদগী পাঞ্জল ওইখিদবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিগী কোচ ওইরিবা মেমোল রোকিনা শান্নবগী ২৮ শুবা মিনটতা মশাগী ফিভম ফবা ঙমদনা শান্নবা য়াওরকখিবী সঞ্জুগী মহুত্তা অঞ্জু তমাম শান্নবা চঙহল্লকখি। তমামনা চঙলকপগা মালেসিয়াগী মায়োক্তা মহাক্কী টিমমেটশিংগা লোয়ননা এটেক চখবগী তাঞ্জা কয়া ফংলবসু পাঞ্জল ওইবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

ফ্রেন্দলি মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চখদুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখ্রবা মতুং মালেসিয়াগী দিফেন্দরশিংনা পাঞ্জল ওইহন্দনা শান্নবা লোইশিনখ্রবা মতুং য়ুম্বু ওইখিবা টিম অদুনা অনীশুবা হাল্ফতা অকনবা মওংদা এটেক চখবা হৌরকখি।

মালেসিয়াগী শান্নরোইশিংনা অনীশুবা হাল্ফ অদুদা ফনা কন্না হোৎনরবসু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংগী মশান্না অদুনা মখোয় হেঞ্জিনবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৭৯ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা পিয়ারি জাজানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইন্দিয়া অমসুং মালেসিয়ানা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ওইখি।

পিয়ারি মেটচ অদুদা সবষ্টিট্যুট ওইনা শান্নবা চঙলকখিবনি। মহাক্কী সোট অদু মালেসিয়াগী কিপর নুরুলনা ফাবা ঙমদনা অহানবা পাঞ্জল ওইখি।

শান্নবগী মখা চখরকপদা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা এটেক মরী–মরী চখরকখি।

শান্নবগী ৮৬ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোইশিং অদুনা তৌশিল্লকখিবা এটেক অমদা কোর্নর কিক অমা ফংখি।

ইন্দিয়াগী দালিমানা কাউরকপা কোর্নর কিক অদু টিম অদুদা শরুক য়ারিবী মণিপুর মচা বালা দেবীনা বোল ঙাইরিবী শান্নরোইশিংদগী খ্বাইদগী ৱাংনা চোংখৎতুনা হেদ তৌশিনবদা মালেসিয়াগী গোলপোষ্টতা পান্দুনা থক্তোরকখি।

থক্তোরকখিবা বোল অদু মালেসিয়াগী মায়োক্তা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবী পিয়ারি জাজনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২–০ দা থোইখি।

মালেসিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম্বু মায়থিবা পীখিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম

নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা হিনা সিধুনা গোল্ড মেডল ফংখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১ঃ

ইন্দিয়াগী য়াম্না মরুওইবা সুট্টিংগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ১২ শুবা ওল ইন্দিয়া কুমার সুরেন্দ্র সিংহ সুট্টিং কম্পিটিসনগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০ এয়র রাইফলদা মমিং লৈরবা হিনা সিধুনা গোল্ড মেডল ফংখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী টুগলকবাদতা লৈবা ডাঃ কর্নি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জদা চথরিবা ১২ শুবা ওল ইন্দিয়া কুমার সুরেন্দ্র সিংহ সুট্টিং কম্পিটিসনদা মমাঙদা কম্মনৱেল্থ গেমসকী গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রবী হিনা সিধুনা নুপীগী মিটর ১০ এয়র পিস্তোলগী ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

ইভেন্ট অদুদা সিধুনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইখিবী কম্মনৱেল্থ গেমসকী সিলভর মেডল ফংবা ঙমখ্রবী মলাইকা গিওলবু মায়থিবা পীদুনা মিটর ১০ গী এয়র রাইফলগী ইভেন্ট অদুদা পোইন্ট ২৩৮.৯ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌখিবনি।

ঙসি টুগলকবাদকী ডাঃ কর্নি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জদা চথখিবা ১২ শুবা ওল ইন্দিয়া কুমার সুরেন্দ্র সিংহ সুট্টিং কম্পিটিসন অদুগ এয়র রাইফলকী মিটর ১০ গী লম্বাদা হিনা সিধুনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ফজবা স্কোর তৌবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা মলাইকা গিওলনা ফাইনেল রাউন্দদা ফজবা ঙল্লবসু পোইন্ট চাংদম্নবদা হেনখিবদগী হিনা সিধুনা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল ফংখিবনি।

ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা পি শ্রি নিভেথানা পুন্না পোইন্ট ২১৭.৪ ফংলগা লৌখি।

মিটর ১০ গী নুপীগী জুনিয়র এয়র পিস্তোল ইভেন্টতা মনু ভাকরনা পোইন্ট ২৩৯ ফংলগা গোল্ড মেডল অদু ফংবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুনা মলাইকা গিওলনা পোইন্ট ২৩৬.২ ফংলগা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ অদুনা হর্সাদা নিথাবেনা পোইন্ট ২১৩.৯ দা লৌখি।

মিটর ১০ গী নুপীগী এয়র রাইফলগী য়ুথ কম্পিটিসনদা জুনিয়রগী টাইটল লৌবা ঙমখিবী মনু ভাকরনা পোইন্ট ২৩৪.৯ ফংলগা গোল্ড ফংখি। সিলভর মেডল অদুনা অঞ্জলি চৌধুরিনা পোইন্ট ২৩২.১ দা ফংলগা টনু রাৱলনা পোইন্ট ২১১.২ দা ব্রোঞ্জ মেডল অদু ফংখি।

সুট্টিং কম্পিটিসন অসিগী নুপাগী মিটর ২৫ গী সেন্টর ফায়র পিস্তোল ইভেন্টতা সুধির কুমারনা পোইন্ট ৫৮৬ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

মহাক্কা চপ মান্নবা স্কোরদা কম্মনৱেল্থ গেমসকী মেডল ফংবা ঙমখ্রবা সম্রেস জংনা সিলভর অদু ফংখি। জংনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট হন্থখিবদগী সুধির কুমারনা গোল্ড ফংখিবনি।

ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা পোইন্ট ৫৮৩ ফংখিবা অসাল প্রতাপ সিংহ গ্রিৱালনা লৌখি।

মিটর ১০ গী এয়র পিস্তোলদা গোল্ড মেডল ফংখ্রবী হিনা সিধু

ইন্দিয়ান রেলৱেজনা ঐচয়ুটিএন থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ৩১ঃ

টামিল নাদুগী চেন্নাইদা চথরিবা ৯১ শুবা এমসিসি মুরুগপ্পা গোল্ড কপ ওল ইন্দিয়া হোক্কি টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়ান রেলৱেজনা হোক্কি য়ুনিট ওফ টামিল নাদু (ঐচয়ুটিএন) বু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ইন্দিয়ান রেলৱেজ অমদি ঐচয়ুটিএননা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা রেলৱেজগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা পাঞ্জল ৪–০ দা মায়োক্নবা টিম অদুবু মায়থিবা পীখি।

ইন্দিয়ান রেলৱেজগী মায়কৈদগী রাজু পালনা শান্নবগী ৩৫ অমসুং ৪২ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। অদুবু মেটচ অদুগী হৌরকপদা টিম অদুমক্কী শান্নরোই করন পাল সিংহ অমসুং পর্দিপ সিংহনা শান্নবগী ৫ শুবা অমদি ১০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনখিবা অদুনা মপুং ওইরগা মেটচ অদু থোইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা বেঙ্গালুরু হোক্কি এসোসিয়েসন অমসুং পঞ্জাব এন্দ সিন্ধ বেঙ্ককী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী সেনিয়র টিমদা শরুক য়ারিবা ভি আর রঘুনাথ অমসুং সন্দিপ সিংহগী মায়কৈদগী চনখিবা শান্নবগী ৪৯ শুবা অমদি ৬০শুবা মিনটকী পাঞ্জল অনীনা পঞ্জাব এন্দ সিন্ধ বেঙ্কপু মাঙজিল থাখিবনি।

মেটচ অদুগী অরোইবা ক্বার্টর অদু লোইগদবা মিনট ৪ ৱাংলিঙৈদা এটেক হেন্না চখবা ঙমখিবা বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদগী রাজকুমার পালনা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা মেটচ অদু ৩–০ দা থোইখি।

ইন্দিয়াগী রামকুমার অমসুং ভাম্ব্রি সিটি ওপন এটিপিগী ক্বালিফাই ওইখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ৩১ঃ

য়ুএসএগী সিটি ৱাশিংটন দিসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা সিটি ওপন এটিপি–৫০০ দা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনী রামকুমার রামানাথন অমসুং য়ুকি ভাম্ব্রি ক্বালিফাই ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াননবগীদমক্তা পাঙথোকখিবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী অনীশুবা অমদি অরোইবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলসকী নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথননা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই মারিনকো মাটোসেভিসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭–৫, ৬–৩ দা থোইখি।

অমরোমদা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াদুনা এটিপি–৫০০ সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগীদমক্তা ক্বালিফাই ওইননবা হোৎনরকপদা অনীশুবা অমদি অরোইবা রাউন্দ মায় পাকখিবা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রিনা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী অরোইবা রাউন্দদা গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোই লিয়াম ব্রোদিবু ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

এটিপি–৫০০ সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী মেন দ্রোগী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রিনা অহানবা রাউন্দদা য়ুএসএগী শান্নরোই ষ্টেফান কোজলোভকা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথননা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই গিয়ুদো পেলাগা লম্বা তৌনরগনি।

করিগুম্বা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রামকুমার অমসুং ভাম্ব্রিনা এটিপি–৫০০ সিটি ওপনগী অহানবা রাউন্দগী মেটচ মায় পাক্লবদি মথংশিংনা জর্মনিগী জ্বেরেভ অমসুং ফ্রান্সকী মোনফিল্সকা থেংনবা য়াবগী তাঞ্জা লৈরি।

মেক্সিকোদা ইন্দিয়া শান্নবা য়াওগদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১ঃ

মেক্সিকোদা পাঙথোক্কদৌরিবা টোর্নিও দি ফোর নেসিওন্স টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী নুপাগী ফুটবোল টিম শরুক য়াগদৌরি।

চহী অসিগী ওক্তোবর থাদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী শেম শাবা ওইনা লৈবাক অসিগী টিম্না ওগষ্ট থাগী ৩ দগী হৌগদৌরিবা লৈবাক ৪ গী ওইবা মেক্সিকোনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অদুদা য়ুম্বু মেক্সিকো, কলম্বীয়া, চিলি অমসুং ইন্দিয়ানা লম্বা তৌনগদৌরি। অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা ওগষ্ট ৩ দা য়ুম্বু মেক্সিকোগা শান্নগনি। মদুগী মতুং ওগষ্ট ৪ দা কলম্বীয়াগা শান্নরগা অহুমশুবা মেটচ অদুনা ওগষ্ট ৬ তা চিলিগা থেংনগদৌরি। ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী টিম য়ুএসএ, কলম্বীয়া অমসুং ঘানাগা গ্রুপ পুল্লি।

হরিকৃষ্ণনা হৌ য়িফান মায়থিবা পীখ্রে

বিএল, জুলাই ৩১ঃ

স্বিজরলেন্দগী বিএলদা পাঙথোক্লিবা বিএল ইন্টরনেসনেল চেছ ফেষ্টিভেলগী মনুং চন্না গ্রান্দমাষ্টর টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা ৬ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী হরিকৃষ্ণনা চাইনাগী হৌ য়িফানবু মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণনা ইন্টরনেসনেল চেছ ফেষ্টিভেল অদুগী ঙরাং শান্নখিবা ৬ শুবা রাউন্দদা নুপীগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অহুম্লক ওইবা ঙমখ্রবী চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর হৌ য়িফানবু মায়থিবা পীবা ঙমখি।

ৱার্ল্ড নম্বর ২০ পোজিসনদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণনা চাইনাগী শান্নরোই অদুবু মায়থিবা পীরম্বা মতুং টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা রাউন্দদা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই দেবিদ নাভারাগা লম্বা তৌনগদৌরি। পনবা য়াই জেক রিপব্লিক্কী দেবিদ নাভারা চথরিবা ৫০শুবা বিএল ইন্টরনেসনেল চেছ ফেষ্টিভেল অসিগী নম্বর ৱান সিদেদনি।